# ৱর্ল্ড দে অগেনষ্ট চাইল্ড লেবর-২০১৮

# জেনরেসন সেব এন্দ হেলদি : অঙনবা মতমগী মণিপুরদা কমদৌরম্মী?

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

**''অঙাংদি অপেৎপা লৈখোমগুম্বনি, শেম্নীংবা মওংদা শেম্বা য়াই।''** মীপূম খুদিংমক্না চিনফা পুদুনা লৈরবা ৱাহে পরেংনি। অমুকসু হায়নৈ, ''নঙসিমা অঙাংগা চপ হেক মান্নে।'' মসিদসু নত্তে, অতোপ্পা ময়াম্না তোয়না পন্নবা অমসু লৈরি, ''নঙদি অঙাং য়াম্না ওইরিনা, চাউগদবা য়াম্না ৱাৎলি।'' অসুম্না ৱাখল লৌশিং মপূং ফাদ্রিবা অঙাংগী মতমনি হায়বসিসু ফোঙদোকপা ৱাহে-ৱাতা ময়াম অমা শীজিন্নে ৱারী শানবদা, লাইরিক ইবদা। মখোয়বু ৱাখল লৌশিং মপূং ফাহনবা অমদি অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীদুনা লৈবাক্কী, মীওইবা খুন্নাইগী মরূ চঙবা মীওই ওইহনবা হায়বসি মথক থোংবশিংগী থৌদাংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মতমগী মতুং ইন্না মীওইবগী ৱাখল, মীৎয়েং, থৌশু থৌচত্তা অহোংবা লাকখি, লাক্লি অমদি অদুম্মক লাকখিগনি। অঙাংশিংগী লোনচৎ শাজত্তসু অদুমঙায়। মতম অমগী বোরোই, হৈতোই, বোকুল মহৈ, হৈজামপেৎ, হৈবিৎ, হৈবোং মহৈ, কাৱ্রংচাক মহৈগী মহাউ খঙবা ঙম্বা হৌজিক্কানগী অঙাং মরক্তা মশীং কয়া য়াম্না য়াওরিবা, হংবা য়াবা ৱাহংনি। লেজ, মেগি, মিমি, চৌ, মোমো, পিজা, ফ্রুটিনচিংবনা মহুৎ শিনখ্রবনি। চৈতেক কোৎপী, উরাউবী, ফীবুল হাবী, বোল থোন্বী, মতম অমগী মশান্ননি লৈকায়-লৈকায়দা, খুঙ্গং-খুঙ্গংদা শান্নরম্বা। চিঞ্জাকসু, মশান্না কয়াসু মহৌশা লাইরেম্বীগা শাগোন্নদুনা লাকখি। হকচাং ফগৎহনবা নত্তনা অমাঙবনি হায়বা য়াবা মরীক অমত্তসু য়াওখিদে হায়বা য়াই। পূম্নমক্তু ঙসিদি হকচাং শোকহনবা কয়ানা মহুৎ শিনখ্রে। মতম ঙাইহাক শংবদা স্মার্ট ফোন্দা গেম অমদি টি ভি য়েংবা অকন-অথৌ, হাৎন-শুনবগী। ৱাখলসু, পূক্নিংসু, হকচাংসু জেনরেসন সেব এন্দ হেলদিগী ওন্না তৈনবদা। অহোংবা কয়াসিগী মরক্তা 'চাইরেন চফুবু কায়নবা য়ৈবরা?'' হায়বা পাউরৌ অসিগী মফম মাঙশিল্লকপগুম তৌরি, য়ূমদা, মহৈ তম্ফমশিংদা অমদি মফম পূম্নমক্তা।

অহোংবা অওনবা হায়বসি কনানসু থিংলুবা ঙম্বা নত্তে। পূম্নমক হরাউ হরাউনা য়াবা তাবনি। অফবনা লৌশিল্লগা ফত্তবদুনা মাঙহনখ্রগা। মসিদা লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী ৱাখল লৌশিং অমসুং শিংনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবনি। অঙাং পূম্নমক তীঞ্জং কায়জংদবা মরূ চঙবা অমদি অফবা চার ওইহনবা তারি। মরমদি অফবা তুংকোয়বা, চাওখৎপা মালেম অমা তুংগী মীরোলদা খুদোল তম্লম্ন বগীদমক। মদুগীদমকনি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না অঙাংশিংগী পুন্সিবু খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা মাঙবা তাবা য়াদ্রবা থৱায়শিংনি খন্দুনা মখোয়গী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা হৌরক্লিবসি। অঙাং পূম্নমক মহৈ-মশীন হৈহন্দবা য়াদে, মশা মউ ফনবা চেকশিন্দবা য়াদে হায়বগী অকনবা ঈহৌ অমা লাক্লি। মদুগা লোয়নন্না নৌজরিবা ৱাখল লৌশিং মপূং ফাদ্রিবা অঙাংশিংবু তাথী তাওইনা তৌবীবা, ওৎ নৈবীবা, শিনশঙনচিংবা মফম কয়াদা মপু-মপা চানদবা অৱাবা থবক কয়া শূহনবদগী থিংনবা মখল কয়াগী এক্তনচিংবা চৎনহন্দুনা মখোয়গী য়াইফনবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্নরক্লি। ১৯শুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক্তা বৃটেনগী মিলশিংদা চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু পুং ১২দগী ১৪ ফাওবা থবক শূহল্লম্মী। অদুবু পূম্নমক্তু ঙসিদি মতম অমগী ৱারী অমা ওইরে। বৃটেনখক্কী ৱা নত্তে মালেমগী মফম অয়াম্বদা ওইরম্বা অঙাংশিংগী ফীভমনি।

অঙাংশিংবু মনীং তমহন্নবা থৌরাংশিং অমসুং ঈহৌগী শরুক অমা ওইনা ইন্টরনেসনল লেবর ওর্গেনাইজেসন্না কুমজা ২০০২দগী ৱর্ল্ড দে অগেনষ্ট চাইল্ড লেবর পাঙথোকপা হৌখিবগা লোয়নন্না চহী খুদিংগী জুন ১২দা থৌরম অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্তুনা লাকপগা লোয়নন্না কুমসি চহী ২০১৮গী ওইনা জেনরেসন সেব এন্দ হেলদি হায়বা পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরি। ইন্দিয়াগী ওইনদি নেসনল এন্টি চাইল্ড লেবর দে হায়না চহী খুদিংগী এপ্রিল ৩০দা পাঙথোক্লি। মতৌ অসুম্না মালেমগী লৈঙাকশিং, শিন্মীশিংগী লূপশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লন্নাইগী ওইবা লূপ কয়ানা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোক্তুনা চাইল্ড লেবরগী মায়োক্তা মীপূম খুদিংমক চপ মান্নবা লাঞ্জং চঙশিন্নবা পাউজেল পীরক্লিবসিবু ঐখোয় খুদিংমক্না শৌগৎপা মতম ওইরে। ইন্দিয়াগী চাইল্ড লেবর এক্ত শেমদোকখিবগা লোয়নন্না চাইল্ড এন্দ এদলেসন্ট লেবর (প্রোহিবিসন এন্দ রেগ্যুলেসন) এক্ত ১৯৮৬ অসি কুমজা ২০১৬, জুলাই ৩০দগী চৎনবা হৌখি। মসিগী মতুং ইন্না চহী ১৪গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংবু মিলনচিংবদা থবক শূহনবা হায়বসি লোনা য়াদবনি হায়বগা লোয়নন্না মদুদা চেন্নরিবশিং অদু চৈরাক ফংগদবনি। মসিমক চপ চানা লমদম অসিদা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙল্লবরা হায়বদুদি হংবা য়াবা ৱাহং অদুম্মক ওইদুনা লৈরি হায়বা য়াই।



মণিপুরদা চহী নৌরিবা অঙাং কয়াদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা এক্ত অসিনা য়ৌবা ঙমদবগুম্না তৌরি। অঙাং কয়া ইমুং মনুংগী থবক ইনখাং অমদি অতোপ-অতোপ্পা মফমশিংদা মহৈ-মশীন তম্বগী হক ফংদনা লৈবা য়াওরি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংগী অঙাংশিং, মমা-মপা লৈজদ্রবা অদুগুম্বা অঙাংনা অয়াম্বনি। অঙনবা মতমদা অঙাংশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবীবগী ৱারী কয়া ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্মী। ৱারীশিংদুগী মনুংদা শন্দ্রেম্বী, হাওসি নমোইনু, কুঞ্জমালানচিংবগী ৱারীনা অতাবশিংবু কপহল্লি, পি শিন্থহল্লি। 'খোংজোমনুবী নোংকারোল' কৌবা পুয়াদগী হাওসি নামোইনু কৌবী নুপীমচা অমবু মমা পোক্তবী মীনুংশি খঙদবী লৌশিগাম চনুনা ওৎ নৈবগা লোয়নন্না পুঙম থাংঙমদবা থবক ময়াম অমা শূহনবগী ৱারী মতেক অমা লৌখৎচরি। লৌশিগাম চনু হায়বা নুপী অসি ঈশৌ য়াম্না কনবী, য়াম্না পুকচেল ফত্তবী অমা ওইরম্মী। মহাক্না হেক পোকচবী মচা নত্তে হায়বগী মতিক চহী নৌজরিবী হাওসি নামোইনুবু নুমিৎ খুদিংগী তাথী তাওইনা তৌবীরম্মী। অৱাবা থবক ময়াম অমা শূহনবগা লোয়নন্না ফুবা চৈবনচিংবা কয়া তৌদুনা মমান্নবীশিংগী মরক্তা তিনবা ফংহল্লমদে। নোংমা হাওসি নামোইনুনা মমান্নবীশিংগী মফমদা মাসু কাং শান্নবা য়াওগনি হায়না য়াথোকখিরম্মী। অদুবু লাইবক থীবদি মমা পোক্তবী লৌশিগাম চনুনা চৎপা য়ারোই, অথাপ্পা খুঙ্গং লমদগী ফৌ লৌরুরগা শঙবায়দা হাপ্তুনা কোকথোং পুরক্কদবনি হায়না অকনবা য়াথং পীরম্মী। মমানা হায়বদুমক মহাক্না পাঙথোক্লম্মী। ফৌ অদু ৱানা কোকথোং পুরগা হল্লকপখক্তমক ঙায়রিঙৈদা অতোপ্পা পাখোন অমমুক শীরক্লম্মী। ফৌ অদু শূম্বলদা চেংঙৌ তানা শুরগা য়াংকোক্তা খৈদোক্নবা হায়রম্মী। মদুদা পেঞ্জদবনা ফাথবা ঙমজদ্রবী হাওসি নামোইনুনা ফৌ পুরকপগী ৱাবা, হুমাং শৌবা ফৎত্রিঙৈ অমদি ফম্বা ফাওবা ফংদ্রিঙৈদা করিগীদমক ফৌ শূননবা অমুক থৌদারক্লিবনো হায়না হংলম্মী। মাগী চীন্থক্তা খুম্মী, মহাক্না থৌদাবা থবক তৌদে হায়দুনা মমাদু য়াম্না শাউরম্মী। মরম অদুনা হাওসি নামোইনুবু চৈ থাংলবা মতুংদা ৱাচেৎকী খাবৈনা মকোক্তা থাজিনবীখি। অসুম্না মকোক্তু ঈহিং নাইহিং শানা থুগাইবীরবদা চৈনা খাঙবদা ৱাজরবী হাওসি নামোইনুদু মমা পোক্তবীগী মীওৎ-মীনৈ অদু খাঙদুনা লৈবা ঙম্বগী পনখৈ লানখিরম্মী। থোঙগী থোঙবা পায়দুনা হারি নোংনাংগী খোঞ্জেলগুম্না মি-মি লাউনা তেংথাদুনা কপ্লম্মী। অসুম্না কপ্লিঙৈদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা লাকখি। মতম অদুদা মহাক্না শেৎলিবা ফনেক অদুনা মতু ওইরগা অমদি মথবাক্তা য়েৎপা থাখুমফিনা মসা ওইদুনা হারি নোংনাং ওনখি।

মোইরাংগী শায়োন তরেৎকী ৱারীগী মনুংদসু পুরেম্বা অমসুং ঙাংখরৈমা অনীনা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা মমোম খম্নুনা কয়ামুক ৱানা খম্ববু য়োক্লকখিবগে হায়বগী ৱারী খঙদবা, তাদবা পঙয়াম য়াম্লল্লোই। চহী ৭/৮ খক্তমক ঙাইরিবী নৌরিবী নুপীমচা অমনা মপু-মপা চাদবা খুনেক্কী থবক কয়া শূ-নোমখিবগী থম্মোয় শোক্লবা ৱারী মতাংনি। অসিগুম্বা চাইল্ড লেবরগী মমি তারবা ৱারী অসি চীনবুং ৱারীদগী মথং-মথং লাক্তুনা ডা. লাইশ্রম কামিনীকান্তনা লাইরিক ওইনা ইথোকপা 'খম্বা থোইবী শৈরেংলেন য়েলহৌ (আর্দিপর্ব্ব)' দা মপূং ফানা শৈথারি। মতাং অমা লৌখৎচরি,

*কনা কনাগুম্বীনা, তরা চেঙজেন চানবা,*
*পোৎলম পীরকপা ময়াওই, 'দুগুম্বা অমা মন্দোনগী,*
*ফৌশু-চেঙশু পাংবীরুই, ৱাইশীৎ লমশেং য়াওবীরুই।*
*চান-থক্ল' ৱাৎলকপা, মীগী মতেং ফংদবদা,*
*হান্নৈ হান্নগুমদুনা, মরক মরক্তা লোক্তাক্তা,*
*হৈকক হৈরাং থিজরুই, লৌরক্কী লেমলৈ ফারকই,*
*মচিন-মৌপ্পা অনীগী, নোংলেন নোংজাগী চীন্দম্নৈ।*

(লমায়, ৬৪৯)

মতৌ অসুম্না তোল্ল-তারবা, মখোয়গীনি হায়বদা হন্না য়েংবীবা কনা লৈজদ্রবা অঙাং কয়াদি মখোয় মখোয়গী চহীগা চুনদবা থবক কয়া অতোপ্পা মীগী য়ূমদা শিল্লংবা চৎপগী মমি ফজনা তাবা ৱারী মরাং কায়না ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা করিগীনো হায়বদু নৈনবা য়াই। মতম মতমদুগী খুন্নাইদা অমদি লৈঙাক্লোন দা অঙাংশিংবু মপু-মপা চাদবা থবক্তা শীজিন্নবা য়াদবগী চৎন-পথাপ শেল্লমদে। ষণশেন ষণঙাক ঙল্লকপা মতম হায়বসি চহী ১৪ শুদ্রিবা নুপামচা অমগী পুন্সি তাঙ্কক অদুবুনি। চহী ৮/৯দগী নুপামচা অমনা ইমুং মনুংগী নৎত্রগা ময়ামগী অনেকপা থবক শূবা হৌনরম্মী। লৌউ-শিংউবা অমসুং শা-ষণ লোইবনা মপূং ওইবা শিনফম ওইবা মতম অমগী মণিপুরদা ষণশেন্নহাগী শিনফম মণিপুরগী অমা লৈরম্বসিদা ময়েক শেংনা উৎলি। লৈকায়গী নৎত্রগা খুনগী ষণ ময়াম অদু শেনবগী থবক তৌরিবা মীশক অদু ষণশেন্নহা হায়না খঙনরম্মী। অয়াম্বনা চহী নৌরিবা নুপামচাশিংনা ওইগল্লি। অসুম্না নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা ষণ শেনবনা মথৌ ওইবনা অঙাং অমা ওইবগী মনীং তম্না শান্ন-খোৎনবগী খুদোংচাবা ফংদবসু কোঙ্গায়নি। অঙনবা মতমগী লৈঙাক্কী থৌশিলদা চাইল্ড লেবর মুখ্থৎনবগী ৱাফম লৈরমদ্রগসু খুন্নাইগী খনবা ৱাখল লৌশিং লৈরবা মীওই কয়ানা অঙাংশিংবু অৱাবা কয়াসিদগী কন্ননবা হোৎনরম্মী হায়বসি মসিগা মরী লৈনবা ৱারী কয়া শাগৎলম্বা, অইবা ওইনা থল্লম্বা কয়া অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। হায়রিবশিং অসিগী মতেংনা মীয়ামদা অমদি তুংগী মীরোলদা তোল্ল-তারবা অঙাংশিংদা মীনুংশি উৎপীবগা লোয়নন্না হিংবগী হক পীবিগদবনি হায়বগী পাউজেল পীরি।

ঙসি মণিপুরদা চাইল্ড ট্রাফিক্কিংগী অকিবা ফংলবা নুংশিৎ অমা কন্না শীৎলি। মখল কয়াদা মখোয়গী মরূ-ময়াঙ, ৱাখল-লৌশিং কেম্বমখৈ শীজিন্নগদৌরিবনি। করিগুম্বা মতমদা ফীভম শোক্লবা ইমুংগী অঙাংশিংবু লান্না লমজিংবীখিবসু কোঙ্গায়নি। শেম্নীংবা মওংদা শেমদোকপা য়ারিবা অঙাংদা মৈ পীশিল্লগা য়ূমকৈ থাহনবদা চাক্লোই হায়বা য়ারোই অদুম্মক চাক্কনি। ইনাক কৈরাক খুনবদগী ময়ায় ওইবা ইমুংগী অঙাংশিংসু অদুমঙায়, লন্নাই ট্যুসন অমদি স্কুলগী লাইরিক ময়ামগী পোৎলুম্না ৱাখল লায়না অমদি লেংজুম, খ্বাংগী লায়না লাকপসু য়াই। ৱর্ল্ড দে অগেনষ্ট চাইল্ড লেবর-২০১৮না লাকপগা লোয়নন্না অঙাংশিংবু লান্না লমজিংবীবগী ৱাখল পূমথা থাদোক্তুনা মখোয়বু ঙাকপী-শেনবীনবা থৌরাংবু শৌগৎপা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি।

# খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ মমাঙদা খাবশিংসু মৈত্রবাক মণিপুরগী কংলৈ পুঙময়োন্দা খূৎকন পাঙ্গলনা পাল্লমখি

খুন্দোংবম কুমার

**ৱামাঙ য়াঞ্জহৌবা :** খাবা শোকচ্রোনবনা মৈত্রবাক্কী কংলৈ পঙময়োন্দা মপূ ওইদুনা পাল্লম্বদগী মহাক্কী চাদাশিংনা মথং-মথং চথুরক্লবা মতুং কুমজা ৩৩/৩৪দা ৱাংঙম নিংথৌজা য়েক সলাইগী নোংদা লাইরেন পাখংবনা খাবশিংদগী কংলা ফম্বাল অমুক লৌখিদুনা মৈত্রবাক্কী মপূ ওইখি। পঞ্জরিবা নিংথৌ অনীসিগী মরক্কী চহীচাশিংদুদা থোকখিবা-লাকখিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংদুগী মতাংদা পুৱারী খরদগী শত্তোকচরগা শমজিন্না লাম্থোকচনবা হোৎনজবনি। পুৱারী খরদা থেংনজরিবশিংসি অমগা অমগা খেন্নবা, অমুকসু অমগা অমগা শমজিন্নৌ য়াদবা লাই-তীলগী ওইনা তৌবা ৱাফমশিংদি য়ারিমখৈ থাদোকচরে। খুদিংমক পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা অরাইবা/ইচম চম্বা লোন্দাদা ইজবনি। অরানবা কয়া য়াওরবসু ঙাকপীগনি।

**ৱাংঙমলোন তম্ফা পাম্থোইবীনা খাবা শোকচ্রোনবগী মৌ ওইখিবা :** তম্ফা পাম্থোইবীসি অথোইবী লাইরেম্বা/লাইরেম্বী অমা ওইনা পীবিরম্লবসু নমু-তাইবঙ মী অমা ওইবগী লমদাংদা শাগৎতুনা থন্বীরম্মী। পাম্থোইবী লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী ঈরোইশেনবগী চীংশাং নাপোমদা পানবা ৱাংঙম মৈতে ফুরুপকী নিংথৌ লাইরেন তাউরোইনাই তুবী থিঙকোক লাইরেনবা (লাইরেন কজেংঙানবা হায়নসু খঙনবা) গী মচানুপী অহলনি। তম্ফা পাম্থোইবী অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মনীং তমগনবী, ঙাঙন-শক্লবা ঙমদবী, তৌনীংবতা তৌগনবী ওইনা হৌরকখি হায়বা থেংনজে। মশাগী মপূং-মরৈ ফারক্লবা অমদি মথোৎ কারকপগী হকচাং কয়াৎশিংগী মতিক ময়াই চেল্লক্লবা মতমদদি পোক্লকঙৈদগী ফজদুনতা লৈরবী পাম্থোইবী চাংদমনীংঙাই লৈতবা শকহেনবী হায়বদুনি। ইবেম্বৌ-ইবেম্মসিগী ফজবগী মতিক-ময়াইদি ইজরিবনা শিংথাবা ঙমজদে।

ইহান হেক হান্না চেংলৈ (শরাং-লৈশাংথেম) কাঙলূপকী নিংথৌ শাপায়বনা মহাক্কী মনাই অমবু পাম্থোইবীদা পাউথেম্লুনবা থারম্মী। অদুবু পাম্থোইবীনা মহাক্কী মশাবী মমান মচা (মপুরোইবা) ওইবদা মতিক চাদে হায়দুনা য়াখিদে। মতম খরগী মতুংদদি, লমলেন থেংকুচীং (থেঙগ্রুম চীং/কুরুম চীং নৎত্রগা তাইবী লোক) দা ময়ূম ইঙ্খোল লীংদুনা লৈবা মৈত্রবাক্কী কংলৈ পুঙময়োনগী লৈমাবা (নিংথৌ) খাবা শোকচ্রোনবা অমসুং মনু/মনেম তেকআ অনীগী মচানুপা তরং খোইনুচাগীদমক্তা হায়ন-শিংনবদদি অহল-লমন মশেন য়ানরবদা পাম্থোইবীসু মশানা অয়াবা পীখি।

অসুম্না তম্ফা পাম্থোইবী খাবা য়েক সলাইগী য়ূমলাইঙানবী ওইদুনা শাগৈগী মৌ ওইখি। পাম্থোইবী অমসুং তরং খোইনুচা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপা মতাং অসুৱাইদা নোংমদি লাইনা শিনবা লাইগী নোংদমদগী পাম্থোইবীনা য়ূমগী মৌ অমা ওইবগী শীল্লম শিন্থা খরা পাঙথোক্লুনবা মনেম-মকুগী মরানয়াইদগী খরা লাপথোকপা মফম অমদা চথোক্তুনা শিন্থা তৌরিঙৈ মতমদুদা হকচাং তুজুংনা চেংলৌ হেনবা, কুচু পানবা পাখং অমা থেংনরুবদগী মখোয় অনী অমগা অমগা শুন্দ্মৎনখি। পাখং অসি অতৈ কনাসু নত্তে, শেল্লোয় লংমাই চীংদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিবা অঙোম (নোংবান) গী য়েক সলাই ওইবা 'কাইনৌ চীংশোম্বা' (নোংপোক নিংথৌ হায়না খঙনবা) নি। তাইবঙ মপূনা শিনবা থৌশিল থৌরাংনি, মখোয় অনী খুদক্তা থম্মোয়-থম্মোয়, হকচাং-হকচাং শিন্নখি।

নোংপোক নিংথৌ কাইনৌ চীংশোম্বা শমজিল্লগা নোংপোক নিংথৌ হায়না খঙনরিবা মহাকসি তাঙ্খুল শারম পাথংবা নৎত্রগা তাঙ্খুল হুইতোক পাখংবা হায়নসু খঙনৈ। মতম অমদা মহাক্কী কাঙলূপশিংসি খাবা অমসুং ঙানবা কাঙবুনা থুগাইখ্রবদা তাঙ্খুল (বুঙ) কাঙলূপশিংগী মরমদম মনুংদা লৈবা 'খংখুই' কৌবা চীংগী চীংনুংহুত্তা লোত্তুনা লৈরম্বদগী শেল্লোয় লংমাই চীংদা থোক্লক্তুনা খুন লীংদুনা পানখিবনি হায়বা থেংনজে, শম্লপ্পা থমজরে।

তমফা পাম্থোইবী অমসুং নোংপোক নিংথৌ মখোয় অনী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোইনা-তোইনা উন্নরম্বদগী মমৈথংদা য়ানরক্তবা মতাং তাঞ্জা লাকপদগী নোংমা পাম্থোইবী মকু-মনেমগী মরানয়াই থাদোক্তুনা চীংথাং চীংদা নোংপোক নিংথৌগা ঙাইনরগা মফম হোং-হোংদুনা অমদি মশক লোৎ-লোৎতুনা খাবগী কাঙবু থেংনদনবা চেন-চেন্দুনা লৈখিবগী শাংলবা ৱারী লিখুন্নচিংবদি হুন্দোকচরল্লে।

খাবা শোকচ্রোনবনা মৈত্রবাক্কী কংলৈ পুঙময়োন্দা কংলৈ মপূ ওইদুনা পাল্লিঙৈগী খুদম কয়ামরুম ইম্ফাল কংলৈ অসিদা উবা ফংই। শঞ্জেনথোং অসিমক (মতমদুদা শাবা থোংবুনি) অরিবা লাইরিক্তা খাবা-শঞ্জেনথোং হায়না ইবা থেংনৈ। অসিদা নত্তনা পাম্থোইবীনা খাবা শোকচ্রোনবগী মৌ ওইদুনা কংলৈ পুঙময়োনসিদা লৈরিঙৈদা পাম্থোইবীগা মরী লৈননা মমিং থোনখিবা ৱাফম কয়া থেংনৈ, মদুদি- ফীশুথোং, কোংঙাপাৎ অসিনচিংবা।

**লৈনুং খমনুং লৈপাক্তগী চীংখোঙ পোইরৈতোন কৌথোক্লুবা :** কংলৈ মৈত্রবাক (মণিপুর) কী পুঙময়োনসিদা খাবা শোকচ্রোনবগী মচা-মশুশিংনা মপূ ওইদুনা মথং-মথং চথুরক্তুনা ঙানবা খমদিংকোন্না (খাবা-ঙানবগী য়েক-সলাই) অমুক মপূ ওইদুনা পাল্লকপা মতমদুদা মহাক্না লৈপাক পুবা ঙম্লক্তবদগী নমু পোং কাঙবুনা মনীং মখা তমশিল্লক্তুনা লৈপাক মীয়াম তং-তাদবা, অৱা-মৈশা লাংবা ফীভম অমদা লৈরম্মী। অসিগুম্বা লৈপাক্কী অৱাবা তারবা মতমদুদা ঙানবা খমদিংকোন্না লৈনুং-খমনুং লৈপাক্কী শৱা কংলৈ (হৌজিক্কী ম্যান্মারগী শেবো টাউনসি ওইবা য়াই হায়নৈ) দা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিবা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবগী মফমদা লাক্তুনা পোইরৈ তম্পাকলমদা খুন্থোক্তুনা পাল্লুসি হায়না লান নেকপা লাক্লম্মী। মতমদুদা থোঙঙারেন অহনবদি খম্নুং লৈপাক্কী মপূ ওইদুনা পাল্লিবনিনা মনাও নুপা অতোনবা চীংখোঙ পোইরৈতোনবু মহাক্কী অনীশুবী তাল্লোয় মতৈমা লৈমা লাইনাউতাবীগা মৈত্রবাকলোমদা খুন্থোক্লুনবা য়াথং পীরম্মী। চীংখোঙ পোইরৈতোন অমসুং মতৈমা লৈমা লাইনাউতাবীগা লোয়নন্না মখোয় মী ৫৫ মুকসি চান-থক্লবা পোৎলম মখল কয়ামা অসিদা নত্তনা শা-লানগী মতিক চাবা খূৎশু-খূৎলায় কয়ামসু পুদুনা অৱাং পাংনা পোইরৈ তমলৈকাই মৈত্রবাক (মণিপুর) লোমদা খুন্থোক্লকপা হৌখি। ইকুই কুইদনা নোংমা-নীনিগী মতুংদা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবসু মহাক্কী তালোয় অহনবী লৈমা লাইখুরেম্বী/লাইখুরোমপীগা লোয়নন্না মনাওনুপা পোইরৈতোন অমসুং মতৈমা লাইনাউতাবীখোয়না চৎখিবা লম্বীদুগী ওন্ন-তৈনবরোমদা অশম্বা লম্বী-লমদাং খঙ-ইন্দুনা খুন্থোকখিবদুনা মনাওনুপা পোইরৈতোন্দগী হান্না মৈত্রবাক্কী পুঙময়োনলোমদা হেন্না নকশিল্লকখিরম্মী। অসোমদদি পোইরৈতোন লৈমা লাইনাউতাবীগী কাঙবুনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী চীংবুরোই তম্বুরোই কয়া চৎ-চত্তুনা অমদি মখোয়না থুংলু-থুংলুরিবা মফমশিংদুগী মমিং থোন-থোন্দুনা শিদ-নাদবা মফম থিদুনা চৎখিবগী শাংখ্রবা ৱারীশিংদুসু থাদোকচরে। অদুবু মখোয় অনী (পোইরৈতোন-লাইনাউতাবী) মতম শাংনা লোয়নদুনা মফম মফমদা পন-পন্দুনা লৈশিল্লকপদগী মমৈথংদা লৌন-লৈনদুনা মতৈ-মনাও ওইখিদুনা মপারী মঙা অমসুং মমোম অহুম ফংজখি। অদুবু মপারী শিঙঙুৎ শীঙতাপুঙতমক হিংহৌরগা অতৈ মপারী মমোম লোয়নমক শিখি। অসোমদনা (কংলা পুংময়োন) পোইরৈতোন অমসুং লৈমা লাইনাউতাবীগী কাঙবুগী খোঙচৎতুগী মাঙওইননা (চহী খরা ওইরম্বা য়াই) কংলৈ মৈত্রবাক্কী পুঙময়োন্দা ৱাংঙম মৈতৈ অপানবা পাখংবা (মেচিস্না লৈনুং খোনবা হায়না পী) কৌবা নিংথৌ মচা অমনা খাবশিংবু তাম্থোক্তুনা কংলৈগী মপূ ওইদুনা পাল্লিবা মতমনি। হান্ননা খুন্থোকখিদুনা কংলৈ পুঙদা নকশিন্দুনা লৈখ্রবা লৈনুং খমনুং থোঙঙারেন অহনবগা মহাক্কী মহুম মকোন চাউথোক্লবা অমদি হাইনা হুম্না পানবা য়ানবা মহাক্কী চাদদ্রবী লৈমা অহনবী লাইখুরেম্বী/লাইখুরোমপী 'লাইস্না' মিংথোন্দুনা মচননি হায়দুনা আওং-অউন তমদুনা অপানবা পাখংবদা পীখ্রবনি। মতমদুদা চীংখোঙ পোইরৈতোন লৈমা লাইনাউতাবী মখোয়না লৈরিবা লম (লমতেং লমহাং হায়) দগী মৈরমরোমদা অমুক চথুখিদুনা কংলৈ পুঙময়োনলোমদা নকশিল্লকপদা মৈদিংঙু অপানবা পাখংবগী কাঙবুগা খূৎ থোক্লখি। খূৎথোক্লবা অদুদা অপানবা পাখংবনা ঙমদুনা পোইরৈতোনগী তালোয় লৈমা মতৈমা লাইনাউতাবীবু মুন্দুনা মতম খরা অতোম্বী ওইনা লৌরম্মী। অদুবু মতুংদা য়ানবা পুরকপদগী খোঙফম হন্দোকখি। লাইস্না মিংথোনখ্রবী লাইখুরেম্বীসি অপানবা পাখংবগী পারি মমোম অমত্তা শাৎখিদে।

অপানবা পাথংবনা চহী কুমওন ১১/১২ পাল্লক্লবদা খাবা খুঙ্গীগী কাঙবুনা অমুক অপানবা পাখংববু কংলৈ পুঙময়োন্দগী তাম্থোক্তুনা খাবশিংনা মৈত্রবাক পায়শিনখি। খাবশিংগী লালহৌদা অপানবা পাখংবনা লাঞ্জেনখিদুনা থাংজীং চীংজাওগী মান্তক থৱায়রোনদা পানখিরম্মী হায়না থেংনৈ। লাইস্না মিংথোল ফংখ্রবী লৈনুং লৈমা লাইখুরেম্বীনা অৱাং কৌব্রু অসুপ্পদা চঙজদুনা কৌব্রু চীংজাউগী চীঙ্গোন মনুংদা কৌব্রু অসুপ্পনা অপোকপী মচা নিংঙোন শক্লা কনা খঙহন্দনা লোত্তুনা থমখি। অদুগা লাইশ্রম/লাইস্না (অপানবা পাখংবনা লৌখিবদা থোনখিবা) মিংথোনখ্রবী লৈনুং লৈমা লাইনাউতাবীনা শেল্লোয় লংমাই চীংজাউগী লমখৈ-লমকন মনুংদা পাল্লিবা মপূরেন অঙৌবা পুরৈরোম্বদা চঙজদুনা অমুক 'থোইনু অহোংবী' মিংহুন-মিংখৈসি লৌদুনা লংমাইচীংগী ময়োন ওইবা চীংশাং নাপোমদা শাথুপ্তুনা লৈখি।

অসিগুম্বা তংতাদবা মতম অসিদা নোংদা তুকুপ্লীক (নোংদা লাইরেন পাখংবা) না মহাক্কী পলেম মমা নোংখল্লেম্বী (লৈনুং য়াবীরোক) গী খুজিন থৌরাংদগী অঙোম অমসুং লুৱাং সরারেন অনীমনা শৌগৎ পমখৎতুনা কংলৈ পুঙময়োন্দা লান্দাশিন্দুনা খাবা-খুঙ্গীবু হাৎখি অমসুং খাবশিংবু কংলৈদগী তাম্থোকখি। অসুম্না নোংদা তুকুপ্লীকনা 'নোংদা লাইরেন পাখংবা' হায়বা ফম্বাল মিংথোনসি লৌদুনা কুমজা ৩৩দা কংলৈ মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি। চহী অনীমুক লৈরগা নোংদা লাইরেন পাখংবনা কৌব্রু অসুপ্পগীদা লৈরিবী মমোম শক্লবী লাইস্নাবু লুহোংদুনা মৈত্রবাক্কী লৈমরেম্বী হাপখি।

মতাং অসিদা থমজরিবা ৱাফমদি, ঙানবা খমদিংকোন্না কৌথোক্লুরিবা চীংখোঙ পোইরৈতোনগা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগা কংলা ফম্বালগীদমক্তা লাম্থেংনখি হায়বগী ৱারীদি পুৱারীগী লাইরিক অয়াম্বদা থেংনৈ। নোংদা লাইরেন পাখংবনা ঙমদুনা পোইরৈতোনগী লানগী খূৎশু-খূৎলায় অমদি মহাক্না পুরকপা চান-থক্লবা মখলনচিংবা অতোপ্পা পোৎলম কয়া লৌখিবগী ৱারীসু থেংনৈ। অদু ওইরবদি চীংখোঙ পোইরৈতোন্না লাম্থেংনরিবসি অনীরকনি হায়বদা লান্দে হায়না খল্লি, মদুদি - (১) অপানবা পাখংবা (মেচিস্না-লৈনুং খোনবা) (২) নোংদা লাইরেন পাখংবা (অপানবা পাখংবগী মচা থোকপনি হায়) অসিনি। অদুগা পোংগা লাম্থেংনবগী মতাংদি থেংনদবরা খল্লি। মতমদুগী চৈরক্তুদা পোংনা হাইজিল্লক্তুনা লৈঙাক পায়শিল্লমখি হায়রিবা পোংদু করম্বা পোংনো কদাইদগী লাকপনো হায়বনচিংবদি খঙজদ্রে। শমজিন্নৌ য়াদবা চয়েৎনবা/চমম্নবা পুৱারীশিংগী ৱারী লীখুনশিং চাংদম্নদুনা য়েংলুরবদি অঙাওবা তাদুনা তোক্কদ্রা কিজবদগী অয়াম্বনা থাদোকচরে। অদুবু মতমদুগী মতমগী লাংওনগী মতুং ইন্না তাইবঙ মপূনা থৌশিন থৌরাং লৌদুনা তাইবঙ কুম্মৈ শানবনি হায়না খনবীগনি।

**মথংদা খুদিংমক শমজিঞ্জরগা-** মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদা অয়াম্বা মতমদা য়েক্লবা ওইদুনা লাঞ্জং-লানশিংনরিবা খাবা খুঙ্গী, খাবা নোংজেংবা অমসুং মখোয়গী লাল্লোইশিংবু নোংদা লাইরেন পাখংবনা চাইখায়দুনা অয়াম্বা মাঙহনখি। লেমহৌরিবা খাবা খরা অমদি নোংচুপলোমদা চেনখিদুনা কবুই ওইখি হায়, খাবা অমদি অঙৌবা পুরৈরোম্বদা চঙজখি হায়, খাবা অমদি মখারোমদা চেনখিদুনা মহৌ লোনতাই ওইখি অদুগা খাবা নোংঙানবদি মৈতৈ নিংথৌদা চঙজদুনা মথৱায় কঞ্জখি হায়না থেংনৈ।

**ৱারোইশিন :** পাম্থোইবীগী পম্থৌ মপা নিংথৌ লাইরেন তাউরোনাই থিঙকোক লাইরেনবনা নোংদা লাইরেন পাখংবদগী য়ামদ্রবদা মীরোন অনীমুক হল্লমগনি পানৈ। নোংদা লাইরেন পাখংবা, অপানবা পাখংবা, চীংখোঙ পোইরৈতোন, খাবা খুঙ্গী, খাবা নোংজেংবা অমসুং খাবা নোংঙানবা মখোয়শিংসি মতম অমত্তগী মীওইশিংনি। নোংদা লাইরেন পাখংবসি অপানবা পাখংবগী ময়াম্থুং থোকপা পুরিংলেন (অঙোমগী পুরিংলেন পুরৈরোম্বদু নত্তে) মচানুপানি। ৱাফম অমনা চীংখোঙ পোইরৈতোনসি খুমন অমসুং লুৱাংগী নিংথৌ ওইখি হায়বসু থেংনৈ (কংলৈরোল-চনম হেমচন্দ্রগী পেজ-২গী ফুট নোট-১দা য়েংবীয়ু)। লৈম লাইনাউতাবীগা পোইরৈতোনগা কায়নরকখিবসি মখোয় অনীগী মচানুপা অতোনবা 'শীংঙঙুৎ শীঙদবুঙ শীঙমিন্নবা' পোক্লবা মতুংদনি। লৈমা লাইনাউতাবী অমসুং পোইরৈতোন মখোয় কায়নরবা মতুং চহী ২৫ রোম হৌখ্রবা মতুংদা লৈমা লাইনাউতাবীনা ওইরকখিবা থৌদোক-থৌদৌ শায়ওন-শক্লোনশিং অসি লাই-তীলগী ওইবা ওইথোক্কদবা মান্দবা ৱারী লীখুনশিংদি ইতিক লৈজদবনা থাদোকচরে। মরমদি পঞ্জরিবা মীওইশিংসি কুমজা ৩৩/৩৪গী মতমদা লৈখি পানখিবা ঙাক্তনি হায়বসি পুৱারীনা তাক্লি।

**অরোইবা ওইনা থমজরিবদি-** ইজরিবা ইশামক খাবা ঙানবা সলাইদা লৈজরবসু হৌখিবা পুৱারীগী থৌদোক ৱারীদু নীংশিংদুনা নুংঙাইতবা ৱারোজবা লৈজদে, খুদিংমক তাইবঙ মপূগী কুম্মৈনি।

**নৈনজখিবা লাইরিকশিং -** ১) পাম্থোইবী খোঙ্গুন - মোইরাংথেম চন্দ্র (পণ্ডিত অচৌবা, লৈখিদ্রবা) ২) পুৱারী পুৱারীগী মৈতৈ চনু খরা - বি কুল্লচন্দ্র শর্ম্ম (লৈখিদ্রবা) ৩) পোইরৈতোন খুন্থোক - মোইরাংথেম চন্দ্র (লৈখিদ্রবা পন্দিট অচৌবা) ৪) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (লৈখিদ্রবা পন্দিট)

## মরোল থোকপা লাই

